# ‘পুন্সিগী লাংফমদা’ -(৩)

– মোইরাংথেম নেত্রজিৎ মীতৈ –

ঐহাক চমম্লখি। চিংনবসু হেল্লকখি। হান্নগী চে চাংসু য়েংদবা অদুগা ইম্ফালদগী হায়রকপগা ওন্ন-তৈননা তৌগনি হায়রকপসিদা ঐহাক শাউনীংবা অমা ফাওরকখি। ঐহাক্না থুনমক মপান্দা থোরল্লগা ইম্ফালগী ডাক্তর ইবেম্মদা ফোন তৌরে। ডাক্তর মশানদি ফোন পায়রক্তে, মহাক্কী এটেন্দেন্ট ওইবা শিন্মী অমনা ফোন পায়খৎলকই। ইম্ফালদা ডাক্তর ইবেম্মনা তাকপীখিবা ৰাফমগা গুৱাহাটিগী লায়েংশঙ অসিদা তৌথোরক্লিবসিগা অনীগী খেন্নবদু ঐনা শুগাইনা তম্লে। ঐবুসু ফজনা ইশক তাক্লে। নুপা অদুগা ঐগা ফোন্দা ৱারী শানবদু খোঞ্জেল হৌনা থাদোকপা মাল্লি। নাকলদগী ডাক্তর ইবেম্মনা ঐখোয়বু কনানো মশক খঙদে হায়দুনা শীখাঙ খাঙবগী ৱাঙাঙ অদু ঐসু ফজনা তারে। ঐনা ঐগী নুপীনা মঙোন্দা য়েংখিবগী তাং অমসুং এম আর দি নম্বরনচিংবা খঙহন্দুনা য়ারিবমখৈ শক তাক্লনবা হোৎনখি। ঐগী নুপীবু মঙোন্দা নোংমতা মীৎকী অনাবা য়েংখিদে, মশক খঙদে হায়দুনা তথি তথিনা ইন্থোকপীরকখি। ইম্ফালদগী লাপ্পা লায়েংবা লাক্লগা অমুক লায়েংদনা হনবদি নুংঙাইতবনিনা ইম্ফালদগী মীৎ ওই থংবসিদি করিসু তৌদে হায়রল্লবসু মফম অসিদা ওই থংবা মীৎ ওইনা থাঙ থারনি হায়রবনিনা লায়েংশঙ অসিগী ৰাফম ইন্দুনা থাঙ থাাখ্রে। নুমিৎ হুমনি শুরকপদা মীৎ খুমজিন্দুনা য়েৎলম্বা/নপ্লম্বশিং লোইনা লৌথোক্লে। অদুবু মীৎ অদুদি উরক্তরে। ঐগী নুপীসু ঐসু নুংশা থিবা অমা ফাওরক্লে। কনাগুম্বশিংগীদি মীৎতা থাঙ থারুরবা মতুংদা অমুক্কা হেন্না শেংনা উই হায়নবা য়াওই। অদুবু ঐখোয়গীদি মদুমক থোকত্রে। পুন্সি চূপ্পা উররোইদ্রা খন্দুনা ঐগী নুপীনা পংকপ্তা কপ্পী। ঐসু থৱায় ৱারক্লে। অদুবু হেক্তা থুনা উবা য়াবপোৎ নত্তে হায়দুনা ৱারবা থম্মোয়বু নুপা অমনি হায়দুনা থেমজিনবীবা শারি। করম্না কনাদা হংলুনি খনবদা ঐসু ৱাখল খনফম খঙদরে। লায়েংশঙ অসিদা মণিপুরদগী মীতৈ ডাক্তর নুপা অমগা নুপী অমগদি য়াওই। মদুসু কোন্না মখোয়গী লায়েংশঙগী ডাক্তরশিংগী মমিং মথা পরেং পরেং য়াওবা চে অমদা থেংনরকপনি। ঐগী নুপীগী মমিৎ থাঙ থাব লোইখ্রবা মতুংদা চহী ৩৫ মুক শুরবা মীতৈ ডাক্তর নুপাদুনা মখা তানা অমুক য়েংশিনবীরকখিবনি। মহাক্না থবক হল্লকপা মতমদা ঐনা হেক হেক উজবদগী ঐখোয়না লৈরিবা মফমদুদগী পংলাপ লাপ্তুনা মহাক্কী লৈফম ক্বার্টর অমদা লৈ হায়বা খঙলকখিবনি। ঐ মহাক্কী মনাক্তা চৎলগা ঐখোয়না চিংনরিবসি কোক্লনবা ৰাফম খরদি খঙলুরগে হায়না লেপ্লে।

মথংগী নুমিত্তা নোং ঙানবগী অয়ুক্কি। খরা ঙল্লিঙৈ চখোকখিদ্রিঙৈদা খঙনীংবশিংদু খঙলুরগে খন্দুনা মহাক্কী লৈফমদুদা অনাবগা মরী লৈনবা চে চাংশিং পুরগা চৎলি। থোঙ লোল্লম্মী। ঐনা থোঙজিন্দা লৈরিবা কোল্লিং বেল অদুদা হন্না হন্না নমদুনা হৌদোকই। কুইনা লৈরবা তুংদা মহাক্না থোঙ হাংদোরকই। ইঙক ঙক্লা ঐবু য়েংলিঙৈদা ঐনা ইশাবু শক তাকখি-

“ডাক্তর! ঐ ইম্ফালদগীনি…!”

“ঐ মফম অসিদা অনাবা য়েংদে।”

ঐগী ৱা লোইদ্রিঙৈদা মহাক্না শমজিন্না অশাউবা অমগা লোয়ননা পাউখুম পীরগা থোঙ লোনশিনখিগে তৌই। মহাক্কী থোঙদু ঐগী য়েৎ থংবা খূৎসিনা ঙাইহাক ঙাক্লগা ঐনা মখা তাখি-

“নত্তে ডাক্তর, ঐ অনাবা য়েংগদবা নৎচদে, চুম্না করিগুম্বা অমত্তা খঙজনীংদুনা হংবা লাকচবনি।”

“অদু ওইরবসু ঐ মফম অসিদা মীগা ৱারী শানদে, হোস্পিটালদা ওইনা লাকউ।”

অমুক্কসু মখা তানা থোঙ লোনশিনগে তৌই। মহাক্কী তূম্বা থুগাইবগী ঐঙোন্দা খরা ৱারৌবা মানখি। মরমদি মহাক্কী মমিৎ অনীদু তুমশিৎ ফাদবগী খরা ঙাঙনা উখি। নুংদাং থেঙনা হল্লকপগী তুমশিৎ ফাদবরা অমদি ওইগনি খল্লি। ঐনা খূত্তা পায়রিবা চে চাংশিংদু মঙোন্দা শৎ লানশিল্লি।

“ডাক্তর, চেসি অমুক্তা য়েংবীয়ু। ঐ অনাবা য়েংগদবা নত্তে। অনাবগী ফীভম অমত্তং খঙজনীংদুনা লাকচবনি ৱারৌবীনু।”

ঐনা পীশিনবা চেদু হায়ফেৎ য়েংলগা তপথনা হায়রকই-

“সিদি ঐনা ঙরাং চ্যেক তৌখিবা অনাবদুনিনে!”

‘মানি ডাক্তর, মহাক্কী মমিৎসি হৌজিক ফাওবা উদবসিবু করিগী ওইরবনো খঙজনীংদুনা হংবা লাকচবনি।”

মহাক খরা তপথখ্রে। অদুগা থোঙজিন ময়াগা ইলাপ লাপ্পদনা লৈরিবা ফমুংদুদা ফমথরগা চেশিংদু য়েংলগা হায়রকই -

“থোইনা নুংশা থিবীরুনু তপ্লা তপ্লা উরক্কনি। মীৎ মনুংদা গ্যাসকী শরুক খরা হাপ্লগা থম্মি। মদু মথন্তা তপ্লা তপ্লা কংখিনি। অদুগা শোয়দনা উরক্কনি।”

ডাক্তরদুগী ৱাফমদুদা নুংশা থিজরম্বা পূম্বদু পুমকোক কোকখি।

“য়াম্না নুংঙাইজরে ডাক্তর। অমুক য়ৌজরগে।”

ঐসু ঐগী চে চাংশিংদু পায়রগা অমুক হল্লক্লে। অদুবু ডাক্তর অদুগী মফমদা ঐগী পেন্দবা অমদি মতম খুদিংমক্কী ওইনা কাউঙমদনা লৈহৌরগনি। মণিপুরদগী মীরমদম অসিদা উনরগা ঐবু হরাও হরাওনা তরাম তরাম্না তৌবীরকপগী মহুত্তা অশাউবনা মাঙ থাদুনা ঐগী ইফমদা উৎলকখিবা মহাক্কী থকসি-খাসি অমদি মহাক্কী লিচৎ অদুবুদি ঐনা ঙাকপীবদি ঙাকপীখ্রে হায়ববু হঞ্জিন হঞ্জিন্না নীংশিংদবা খক ঙমখিদে। ঐসু ঐখোয়গী লৈফমদা য়ৌরল্লবা মতমদা ঐগী নুপীদা নুংশা থিদনবা ডাক্তরদুনা তাকপীরকপদু লোইনা তমখি। মহাকসু নীংশা খরা হোন্দোকচরে।

ঐখোয়সু মীৎ থাঙ থারবা মতুং চয়োল অমগী মতুংদা অমুক হন্না য়েংশিনবীরবা মতুংদদি থা অমগী মতুংদা অমুক লাকউ হায়রগা ঐখোয় য়ূমদা হনবা য়ারনি হায়দুনা থাদোকপীরক্লে। হন্দক থা অমগী মতুংদা চৎপা অসিদদি ইচানুপাসু লোয়নরে। ইচানুপাসু পাখঙ পুংকক ফারল্লবনিনা মপান লমগী লম্মীৎ তুমিৎ খঙহনবা ওইনা অমদি লোলগী মতাংদসু অঙাংশিংনা খরা হেন্না খঙবনিনা মহাকসু পুবিরসি হায়দুনা হন্দক্তি ঐখোয় অহুম চৎলে। ঐগী ইচেশিং কৌরগা য়ূমদা ইচানুপীগা লৈমিন্নহল্লম্লে। ঐখোয় অহুম গুৱাহাটিদা অমুক হন্না মীৎকী চেক অপ তৌবা লাক্লে। হান্নগী চে চাংশিং অদুগা লোয়ননা অমুক অনৌবা টিকেট অমা কক্তুনা ইচানুপাগা মমাগা পূন্না য়েংবা চঙমিন্নখ্রে। ঙাইহাক লৈরগা ইচানুপাগা মমাগা থোরল্লগা ঐঙোন্দা হায়রৈ-

“ববা! ইমাগী য়েৎ থংবা মীৎসিসু অমুক থাঙ থাগনি হায়রি করম তৌসিগে?”

ইচানুপাগী ৱাফমদু ঐনা থাজবা ঙমখিদে। হান্না মমাঙদা চৎপা মতমদা ইম্ফালগী ইবেম্মনা য়েৎ থংবা মীৎ অসিনি মরু ওইনা থাঙ থাগদবসি হায়রকখ্রবসু মখোয়না য়েৎ থংবা মীৎ অসিদি করিসু তৌদে ওইগী মীৎ অসিনি তৌগদবদি হায়দুনা নমদুনা করিসু তৌদবা মীৎ অদুবু থাঙ থাবিখ্রগা হৌজিক অমুক মখোয়না করিসু তৌদে হায়রিবা মীৎ অদু অমুক থাঙ থাগনি হায়রকপসিদা ঐ খরা ঙকচানখি। ঐনা অমুক হন্না ডাক্তরগী মনাক্তা চঙদুনা হংলুবা মতমদদি য়েৎ থংবা মীৎ অসি থাঙ থাদবা য়ারোই হায়বীরক্লে। ঐহাক শাউনীংমনখিদুনা য়াম্না কপ্লিংলকপা মতাং ওইখি। ঐনা ডাক্তরশিংদুগা খরা য়েৎনখি। করিসু তৌদে হায়খিবা মীৎ অসি করিগী অমুক থাঙ থাগদৌরিবনো হায়দুনা। মখোয়না অমুক হায়রক্লিবা ওই থংবা মীৎ অসি হান্না লায়েংবা লোইরগা য়েৎ থংবা মীৎ অসি অমুক তৌসি হায়খি অসিনি। থাঙ্গৈশেংবমকসু ঐনা পামখিবদি ইম্ফালগী ডাক্তর ইবেম্মনা হায়রকখিবা য়েৎ থংবা মীৎ অসি ওইনা থাঙ থাবা পামখিবনি। অদুবু নমদুনা ওই থংবা মীৎ ওইনা লান্না থাঙ থাবিখিবনি। হৌজিক্তি ঐনা পামখিদবা, করিসু তৌদে হায়রিবা মীৎ অদুগী লুপা ময়াম অমা তিংহনবীখ্রবনিনা মীৎ নাম্মা অসিগীসু নমদুনা লুপা ময়াম তিংহনগদৌরি। অমরোমদা মখোয়না হায়রিবশিংদু অচুম্বা ওইরম্বদি য়াই হায়ববু থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসিগী মতুং ইন্নদি মখোয়না ঐঙোন্দগী লুপা ময়াম লৌহৌনবা হোৎনবগী মমি অমদি তাবগুম তৌরি। ঐ য়াম্না নুংঙাইখিদবা নীংঙমদবা হায়বদু ওইরকখি। অমরোমদা ঐহাক মিরাংদা থুরবা নাম্থোকচবা ঙমদ্রবা তীল অমগা পাংখক ওইরকখি। নুপা অমা ওইরবসু মায়থীরবা, মীনা লাকচবিখ্রবা, পাঙদবা নুপা অমগুম ইতন্তা ফাওরকখি। কমদৌনি, মীৎ অনীমক থাঙ থাখ্রে। ঐগী নুপীসি মশাগী অনাবগী মতুংইন্না মীৎ অনীমক থাঙ থাখ্রে হায়না লৌরবসু ঐঙোন্দদি নুংঙাইতবা অমনা য়োমদুনা লৈখ্রে। মহাক্কী ৱাখল নুংঙাইতবদু খরদং ওইরবসু কোক্লবা হায়দুনা পল্টন বজার অমদি ফেন্সি বজারদা চত্তুনা ব্রহ্মপুত্র তুরেল তোর্ব্বানগী নীংথিজরবা শক্তম উহন্দুনা খরদি কোয়রকখি। থা অমগী মতুংদা মখোয়না অমুক হন্না চেক অপ লাকখো হায়হৌই। অদুবু নাখৈ শেংনা হায়রম্মী - “নখোয়গী লাংদা অমুক হন্না থুবা পামদ্রে, ঐখোয় লাক্লরোই!”

ঐখোয় ইম্ফালদা হল্লক্লে। থা অমগী মতুংদা গুৱাহাটিদা চৎপগী মহুত্তা ইম্ফালগী ইবেম্মগী মনাক্তা ওইনা মীৎকী ফীভম য়েংহল্লুরে। অদুবু লাইবক ফবনা করিসু হেনজিন্দ্রে হায়বীরকই। অদুবু মমাঙদা ঐখোয়না গুৱাহাটিদগী ফোন তৌবদা কনানো মশক খঙদে হয়না তাকপীরকখিবদুগী মতাংদা খরদং চমথোক্লনবা হোৎনজরমখি। অদুবু মহাক্না করিসু হায়খিবা লৈতে হায়দুনা কন্না হায়খি। ঐখোয় করিসু য়েৎনবা তৌদনা মসিসু পুন্সিগী থেংনফম থোকপা লানফম অমা ওইরমাল্লে খন্দুনা কনাদসু ৱারৌবা তৌদনা তূমিন্না অদুমক থোরকখি। য়াম্না শেংনা হায়রবদি হৌজিক মতমগী মীচম মীয়ামদি কাঙজৈ ময়াম্না থোম্বদা মফোল থোক্লবা কাঙদ্রুমনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

## এম পি পিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিনা …

*লামায় ১গী মখা…* প্রসিদেন্টনা পার্টি ওফিস হেক পায়বদগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীটিং কৌমন্দবদগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীফম অমা কৌনবা চেপাউ পীশিনখি। অদুবু চেপাউ অদুগী পাউখুম অমত্তা পীবিরকখিদে। লোয়ননা চহী অসিগী হৌখিবা জুন ২৩দা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীফম ফম্বগী মতাংদা এম পি পিগী লৈরিবা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মেম্বরশিংদা মতম চানা অমদি মাঙজৌননা চেপাউ পীদনা প্রসিদেন্টগা নক্লবা মীওই খরখক খনগৎলগা চেপাউ পীদুনা লোন্না হুরান লান্নাদা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীফম প্রসিদেন্টনা নম্ফুদা পাঙথোকখি। সেন্ট্রল কম্মিটিগী মেম্বর খরনা মীফম অদু য়ৈথোকপীদুনা মপুং ফানা সেন্ট্রেল কম্মিটি মেম্বর খুদিংদা চেপাউ পীদুনা মীফম পাঙথোকপীনবা হায়জবদা প্রসিদেন্টনা য়াবিরকখিদে। মসিগী মথক্তা চহী অসিগী জুলাই ৪দা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মেম্বর ৪৯না মশাগী খুৎয়েক পীদুনা, অমুক হন্না সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীফম অমা কৌবিনবা অইবা চেপাউ পীশিন্দুনা হায়জবদা প্রসিদেন্টনা য়াখিদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চহী অসিগী জুন ২৩দা এজেন্দা য়াওদনা নম্ফুদা ফমখিবা মপুং ফাদবা সেন্ট্রেল কম্মিটিনা খনখিবা এস আর ওনা এম পি পিগী ইলেক্সন রুলশিং থুগায়দুনা ইলেক্সন নোটিফিকেসন ফাওবা থোক্তনা প্রসিদেন্টগী পাউতাক্তা ভি পিশিং খনজিনবা, সবোর্দিনেট কম্মিটিশিং হায়বদি ৱার্কিং কম্মিটি, ইলেক্সন কম্মিটি, দিসিপ্লিনরি কম্মিটিগী মেম্বরশিং নম্ফুদা খনখি। এম পি পিগী কন্সটিট্যুসনগী চৎনপথাপ থুগায়দুনা শেমখিবা ৱার্কিং কম্মিটিনা প্রসিদেন্টগী পাউতাক্তা এম পি পিগী কেন্দ্র কম্মিটিশিং হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা কেন্দ্র কম্মিটিশিং খঙহন্দনা মুখৎপা অমদি শিন্দোক শিঞ্জিন তৌরে। লোয়ননা মরম চাদনা প্রসিদেন্টনা মহাক্কী পৱারশিং লান্না শীজিন্নদুনা পার্টিগী সেন্ট্রেল কম্মিটি মেম্বরশিংবু তান্থোকপা অমদি লৌথোকপগী থৌওং কয়াসু চখরে। মসিগী মথক্তা এম পি পিগী ফাইনান্সিএল রুল থুগায়দুনা পার্টিগী ফন্দশিং লান্নসু শীজিন্নরে। এম পি পি পার্টিগী চহী ৫৪গী খোঙচৎ অসিদা অসিগুম্বা কন্সটিট্যুসন থুগায়দুনা কা হেনবা থবক তৌবা য়াওখিদ্রি। থৌওং অসি এম পি পিগীদমক থৱায় থাখিবা থৌমীশিংনা কৈদৌঙৈদসু ঙাকপীবা হায়বদু ওইররোই। মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক মীয়াম্না পার্টি অসিবু নুংশিজরবসু লান্না উহন্নবগী মচাক অমা ওইরে। মরম অদুনা প্রসিদেন্টগী মথক্তা রিক্কিজিসন মীটিংগী চে থাখ্রে। মরম অদুনা চহী অসিগী এম পি পিগী কন্সটিট্যুসনগী চৎনপথাপকী মতুংইন্না নুমীৎ ২০ নি হায়বদি লাক্লিবা ওক্টোবর ২০ ফাওবগী মনুংদা মীটিং অমা কৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুগা করিগুম্বা প্রসিদেন্টগী মায়কৈদগী মীটিং কৌরক্ত্রগনা সেন্ট্রেল কম্মিটিনা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম পি পিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিনা হায়জরিবা অসি এম পি পি হিংগৎহনসি অমদি মণিপুর কনসি হায়বগী ৱাখল্লোলদা হায়বনি। মরমদি এম পি পি নত্তনা মণিপুর কনবা ঙম্লোই হায়বসি পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা ময়েক শেংনা খঙই হায়নসু ফোঙদোকখি। ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা এস ব্রোজেন, ইবোমচা, থাংজম রোজেনকুমার, নব, পাউনম খাবা, সী ঐচ জয়, লোংজম জয়কুমার, ওইনাম দেবেন অমদি মোইরাংনিংথৌনচিংবা এম পি পিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

## য়ু শুংবা ১সুং …

*লামায় ১গী মখা…* দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগী মীখল পাঙথোক্কদবা য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্কী তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদবা থবকশিং লাকপদগী এম পি এস/এম সী এস/এম এফ এস ওফিসরশিংগী প্রমোসন পীবগী মতম হান্না দি পিনা থোকপা ওর্দরদা চহী ৫গী ওইনা পীরম্বা অদু ঙসিগী কেবিনেট মীফমনা চহী অমা ককথরগা চহী ৪দা তেনশিনহনবদা অয়াবা পীরে হায়খি।

অতোপ্পা ঙসিগী কেবিনেট মীফমদা পুথোক্তুনা খন্নরগা লৌখিবা ৱারেপ অমদনা হন্দক্তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরনা ‘সাইনে দাই’ দা লোইশিনখিবা নোংজু মীফম অদু গভর্ণরদা প্রোরোগ তৌহনবীনবা ৱারেপসু লৌখি হায়রি। মরমদি এসেমব্লিগী মীফম অসি থা ৬ খুদিংগী ফমগদবনা মরম ওইদুনা ৱারেপ অসি লৌবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা ঙসিগী কেবিনেট মীফমনা লৌখিবা অতোপ্পা ৱারেপ অমদনা নূঙ-লৈঙোই লৌফম ওইরিবা ক্বারিশিংগী মফম খঙদোকপা অমসুং মফমশিং অদুদগী নূঙ-লৈঙোইনচিংবা লৌথোকপা য়াবগী অয়াবা লৈঙাক্কী টেক্সটাইল, ইন্দষ্ট্রিজ অমসুং কমর্স লোয়শঙনা পীরগনি। অদুম ওইনমক পুথোক পুশিন তৌবগী ট্রাঞ্জিট পার্মিসনদি লৈঙাক্কী উমং লোয়শঙনা পীবা হায়নসু ৱারেপ লৌরে হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী কেবিনেট মীফমদা তোঙান তোঙানবা অপূনবা এজেন্দা ৩১ লিষ্ট তৌখিবনি।

## মীওই ১ নোংমৈনা কাপ্তুনা …

*লামায় ১গী মখা…* পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

লিংনৈকিম কিপগেননা ফোঙদোকখিবদা থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা বি জে ৱাই এমগী থৌমীশিংনা মহাক্কী মচানুপা মাংমিনসৈ কিপগেনবু কংলাতোংবীগী ৱার সিমিত্রি মনাক্তা লৈবা কংলাতোংবী ওর্ফানেজদা খাল্লগা মহাকপু ইল্লিগেল ওইবা টেব্লেটশিং পুবনি হায়বগী চার্জদা ওই থংবা মখোঙদা নোংমৈ মরূ ২ কাপ্তুনা শোকহনখিবনি হায়রি।

লোয়ননা থৌদোক অদু বি জে ৱাই এমগী প্রসিদেন্ট বারিসনা লুচিংবা থৌমীশিংনা গাড়ী ৩দা লাক্লগা চখরম্বনি হায়নসু ফোঙদোকই হায়রি।

অদুম ওইনমক মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ১৭কী পাউদদি মহাক্কী মচানুপানা নোংমৈ মচা অমা পায় হায়দুনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং অদু য়ূম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফমনি হায়খি।

মহাক্কী মচানুপানা অসিগুম্বা মখলগী নোংমৈ পায়বা ঙম্বগী থৌনা লৈতে অমসুং খূৎলায় পায়বা কাঙলূপ নৎত্রগা গেঙ অমত্তগা মহাক্না মরী লৈনবসু লৈতে হায়খি।

লালহৌবশিং ওইরবসু নৎত্রগা দ্রগ পেদ্দলরশিং ওইরবসু লোগী মতুংইন্না ফারগা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলি অদুবু মখোয়দি মহাক্কী মচানুপাবু বি জে ৱাই এমগী কাঙবুনা শোকহল্লম্বা অদুগুম্না তৌরম্বদি য়াওদে হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অসিগা মরী লৈননা লাইকোট এরিয়াগী এন্টি দ্রগস কেম্প্যেনগী মেম্বর অমসু ওইরিবা লাইকোট এরিয়া য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট মাংজাঙম কিপগেননা ফোঙদোকখিবদা মীপূম খুদিংমক ৱার ওন দ্রগস কেম্প্যেনগী ঈ-পাউ লৌফম ওইবা য়াই। অদুবু মখোয়দা লোবু মখূৎনা পায়দুনা শীজিন্নবগী অয়াবদি পীদে হায়খি।

চখ্তরক্লিবা ৱার ওন দ্রগস কেম্প্যেনগী মায়োক্তা মখোয়না লেপ্তে। অদুম ওইনমক বি জে ৱাই এমগুম্বা অন ওথোরাইজ ওইবা কাঙবুনা নোংমৈ শীজিন্নবগী থৌওং অসিগী মায়োক্তদি মখোয়না লেপকনি হায়খি। মরম অসিনা অথুবা মতমদা বি জে ৱাই এমগী মায়কৈদগী কুকি কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না লাল্লে হায়জরগদবনি হায়রি।

কে ওর্ফানেজগী চীফ চুংশোননা ফোঙদোকখিবদা নোংমৈ কাপখিবা মফম অদু কনা লৈজদ্রবা চমজরবা অঙাংশিংনা লৈবা মফম ওইবনা অদুগুম্বা থৌদোক অদু মফম অদুদা থোকহন্নীংদে অমসুং মহাক্কী খুনগী এরিয়াদা থোকপনিনা কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না লাল্লে হায়জগদবনি হায়খি।

ঙসি চখ্থিবা প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা বি জে ৱাই এমগী নোংমৈ পায়বা থৌমীশিং পুলিসনা ফাগদবনি, নোংমৈগী কলচর লেপ্পু, ঐখোয় ৱার ওন দ্রগসকী মায়োক্তা লেপ্তে, ঐখোয় গন কলচরগী মায়োক্তা লেপকনি, বি জে ৱাই এমনা লোগী মথক্তা লৈরব্রা অমসুং বি জে ৱাই এম অসি লৈঙাক্কী নোংমৈ পায়বা খূৎপু অমরা হায়দুনা ইবা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখি হায়রি।

## মৈস্নাম বিরমনি পাল্লরবোনগী ফিল্ম ২ রিলিজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস) : বি এম লুৱাং ফিল্ম প্রদক্সনগী মখাদা মৈস্নাম বিরমনি পাল্লরবোননা ইবা ‘নুংশি থৌরিনা পুনবীরনু’ অমসুং ‘শাগৈগী মৈরা’ কৌবা অতেনবা ফিল্ম অনী থা অসিগী ১৮দা লংদুম কম্যুনিতি হোলদা রিলিজ তৌখ্রে।

ফিল্ম অনী অসিবু মীয়ামদা ফোঙদোকখিবা থৌরম অদুদা কাঙবম লালহরিনা ময়ায় তাংবল লৌখি। নুংথিলগী পুং ৩ তারকপদা রিলিজ তৌখিবা ফিল্মশিং অসিগী দিরেক্সনসু অইবা মশানা পীবনি অদুগা প্রদ্যুসরনা অরাম্বম মোমুনা ওইরগা ম্যুজিক দিরেক্টরনা রোমেসনি হায়রি।

## কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মীখলগী শেম…

*লামায় ১গী মখা…* খন্নবগী মীখলসু থা অসিগী ২৪দগীনা ৩০ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লগনি হায়খি।


মীখল অসিগীদমক মথং থাগী ১দা স্ক্রুটিনি তৌরগা নুমিৎ অদুমক্তদা পার্টি প্রসিদেন্টগী মীখলদা শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিংগী মিংশিং লাউথোক্লগনি অদুগা মীখলনা মথং থাগী ৮দা পাঙথোক্লগা থা অদুগী ১৯দা মশীং থিরবা মতুংদা রিজল্ট লাউথোক্কনি হায়খি।

কোংগ্রেসনা রাহুল গান্ধীগী লমজিং মখাদা লৈবাক অসিবু বি জে পিগী মখূৎতগী কন্ননবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি হায়রদুনা হৌজিক লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসি এন্টি পিপল ওইবা লৈঙাকনি হায়খি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না পোৎ চৈগী মমল ৱাংখৎলকপা অমসুং থবক ফংদবগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরি। বি জে পিগী লৈঙাক অমুক হল্লক্লবসু ঙসি ফাওবদা প্রোব্লেমশিং অসিগী সোল্যুসন পুরকপা ঙমদ্রি হায়খি।

লোয়ননা মণিপুরদগী নহা ওইরিবা অমসুং তমজনীংঙাই ওইবা অদুগা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরকপা য়াবা মীওই কয়া লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনগী থবক থৌরম অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে হায়বগা লোয়ননা পাঙথোক্কদবা মীখলশিং মপূং ফানা লোইশিল্লগদি পার্টিগী মায়কৈদগী ষ্টেট অমসুং নেসনলগী থাক্তা বি জে পি লৈঙাক্না ফেল ওইবদগী মায়োক্লরিবা ইস্যুশিংগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং চঙশিনবা ঙল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।



HL-B/7838/20/9-4/10

RECRUITMENT

The deserving candidates are requested to submit their resumes with two recent passport photos along with supported documents on or before 28th Sept for the following Posts. For category B & SL.no . 14 fooding & lodging are free.

| CATEGORY A: POST (Number) | QUALIFICATION | Preferance | Remuneration |
| --- | --- | --- | --- |
| 1. PRINCIPAL (1) | MSc/M.A+ More than 10 yrs teaching experience | Retd. lecturer | 20k-35k |
| 2. Chemistry Lecturer (4) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 20k-30k |
| 3. Botany Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 15k-25k |
| 4. ZOOLOGY Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc / College | 15k-25k |
| 5. Physics Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 15k-25k |
| 6. ACCOUNTANCY Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 15k-25k |
| 7. History Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 15k-25k |
| 8. Political science (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 9. Geography Lecturer(2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 10. Economics Lecturer(2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 11. SOCIOLOGY Lecturer(2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 12 ENGLISH Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 13 Education Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 14. WARDEN 2M&2F (4) | MSc /M.A | Teaching expt upto CLASS X IN CONCERNCED SUBJECTS | 15k-25k |

| CATEGORY B: POST (Number) | QUALIFICATION | Preferance | Remuneration |
| --- | --- | --- | --- |
| 1. SALES MAN/PHARMACIST (3) | M.R /Medicine knowledge | Exp. as salesman/MR//marketing | best in market |
| 2. Cook or chefs of Fast food (2) | more than 2yrs Exp. | NO USED ALCOHOL OR DRUG | BEST IN MARKET |
| 3. Hotel Helpers M/F (2) | SINCERITY | NO USED ALCOHOL OR DRUG | BEST IN MARKET |

OFFICE OF ADVANCED COACHING INSTITUTE AT NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI OR KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH # 8787586090

HL-B/7838/20/9-4/10